# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL,WEDNESDAY, FEBRUARY 22 , 2017 **PAGE 7**




*ইন্দিয়ান প্রেমিয়ার লিগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ওক্সন্দা য়াম্না থাজদবা মওংদা লূপা ক্রোর ৩ দা কিংস ১১ পঞ্জাবকী টিম্না লৈখ্রবা টামিল নাদুগী নহা ওইরিবা বোল্লর থাঙ্গারাসু নটরাজন*

*য়ুরোপকী ফুটবোলদা স্পেইনগী ক্লব অমা ওইরিবা সিবিলাবু সেকেণ্ড দিভিজন দা লৈরম্বদগী লালিগাগী থাক্তা পুখৎপদা নত্তনা য়ুরোপা টাইটল ৫ রক ফংহনখ্রবা দিরেক্তর রামোন রোদ্রিগেজ*



## সেনিয়র নেসনেল কারাতে চেম্পিয়নসিপ ২০১৭ কীদমক মণিপুরগী কারাতেকাশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে

*ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ২১ঃ*
গৌৱাদা লৈবা ডাঃ শ্যামা প্রসাদ মুখর্জি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৫ অমসুং ২৬ তা পাংথোক্কদৌরিবা কারাতে এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া সেনিয়র নেসনেল কারাতে চেম্পিয়নসিপ ২০১৭ দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী কারাতেকা অমসুং ওফিসিয়েলশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না মণিপুর এমেচর কারাতেদো এসোসিয়েসনগী মাইকৈদগী প্রেস্তা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা পাংথোক্কদৌরিবা সেনিয়র নেসনেল কারাতে চেম্পিয়নসিপ অসি গৌৱাগী ত্রেদিসনেল কারাতে এসোসিয়েসন্না য়ুম্মু ওইরগা কারাতেদো এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা পাংথোকপনি।

মণিপুরদগী সেনিয়র কারাতে চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা কারাতেকা ১২ অদুদিঃ নুপীগীদা কে উশারাণি দেবী (কে জি ৪৫)– কাতা অমসুং কুমিতে, জিবালাতা (কে জি ৫০) – কুমিতে, এস পুজা দেবী (কে জি ৫৫) – কুমিতে, কে ইনাওচা দেবী (কে জি ৬০)–কুমিতে অমসুং এম সোনিয়া দেবী (কে জি ৬৮)– কুমিতে নি।

নুপাগীদা সেনিয়র নেসনেল কারাতে চেম্পিয়নসিপ ২০১৭ দা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শান্নগদৌরিবা নুপাগী কারাতাকাশিং অদুদিঃ ৱাই বালকৃষ্ণা (কে জি ৫০) – কুমিতে, এম অমিরখান (কে জি ৫৫)–কুমিতে, অশিক ইলাহি (কে জি ৬০)–কুমিতে, সি ঐচ জিবন (কে জি ৬৭)–কুমিতে, এল সন্দিব সিংহ (কে জি ৭৫)– কুমিতে, এম দি অমির খান (কে জি ৮৪)– কুমিতে অমসুং এস কুমার (কে জি ৮৪ মথক) নি।

গৌৱাদা লৈবা ডাঃ শ্যামা প্রসাদ ইন্দোর ষ্টেদিয়ম দা থা অসিগী ২৫ অমসুং ২৬ তা পাংথোক্কদৌরিবা করাতে এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া সেনিয়র নেসনেল কারাতে চেম্পিয়নসিপ ২০১৭ দা মণিপুরগী শরুক য়াগদৌরিবা টিমগী নুপীগী টিম কোচ অদু এল হেমানমণিনা দেবীনা ওইখি। অদুগা টিম অদুমক্কী মেনেজর অদুনা জুলিয়া কামৈনা ওইগদৌরি।

মণিপুরদগী তলা অহমদ, মুতুম বমকিম সিংহ না রেফরি ওইরগা কিরন কুমার থাংজম্না মণিপুরগী কারাতেকাশিং অদুগী দেলিগেট ওইগনি হায়না ঙসি প্রেসতা মণিপুর এমেচর কারাতেদো এসোসিয়েসন মাইকৈদগী থোক্লকপা চেরোল অসিনা মখা তারক্লি ।

গৌৱাগী নেসনেল নেসনেল কারাতে চেম্পিয়নসিপ অসিদা গোল মেডল লৌবা ঙম্বা কারাতেকাশিংনা সাউথ এসিয়ন, এসিয়ন, কম্মনৱেঠ গেমস অমসুং ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ্তা শরুক য়ানবগী খুদোংচবা অদু পীরি।

## লিওনেল মেসিগী পেনালতিগী গোল অদুনা লা লিগা চেম্পিয়ন্স লীগতা লেগানেসকী মায়োক্তা গোল ২–১ দা মায় পাকপা ফংহনখ্রে



*বর্সেলোনা,ফেব্রুৱারী ২১ঃ*
বর্সেলোনানা করিগুম্বা মখোয়না হৌখিবা চয়োল ময়াই চল্লকপদা শান্নখিবা চেম্পিয়ন্স লিগ প্রি ক্বার্তর ফাইনেলগী অহানবা লেগতা পেরিস সেন্ত জর্মেনগী মখূত্তা অকিবা ফংনা মায়থীবা নংখিবা অদুদগী হৌজিক ফাওবা ফীভম ফগৎনা লৈবা ঙমদ্রি হায়না লূন্না লৌদুনা লৈরকখিবা ওইরগসু, লিওনেল মেসিগী থেংনা চনখিবা পেনালতিগী গোল অদুনা লা লিগা চেম্পিয়ন অসিবু নৌ কেম্পতা লেগানেসকী মায়োক্তা গোল ২–১ দা মায় পাকপা ফংহনখ্রে।

মেসিনা মেতচ অসিগী গোল অনীমক চনখিবগা লোয়নননা অনীশুবা গোল অদুনা ৯০ শুবা মিনিত্তা স্পোত কিক্তগী চন্দুনা মশক ইথোক থোক্তনা মায় পাকপা ঙমখিবা অসিনা বর্সাগী তাইতলগী আশা ময়োল কংদনা লৈহনখি অদুম ওইনমক হোম ফেন খরগী মায়কৈদগী লাউশিন খোঙজিনবা তৌদুনা করেম কথাইনবিখিবা কোচ লুইস এনরিককী ওইনদি অমুক্কসু লুরবা তানফম অমদগী নাম্থে কপা ঙমহৌখ্রে।

মায় পাকপা অসিনা বর্সাবু পোইন্ত ৫১ ফংলগা লিগ তেবলগী অনীশুবদা লৈহনখ্রে অদুবু থাংজনুমিত্তা ইস্পানাইওলবু গোল ২–০ দা মায়থীবা পীখিবা লিগ লিদর রিএলদগী পোইন্ত অমা শোথরি।

রিএলনা বর্সা অমসুং থাংজনুমিত্তা ঐবারগী মায়োক্তা হোমদা গোল ২–০ দা মায় পাক্লগা পোইন্ত ৪৯ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরিবা সেভিল্লা অনীমক্কা য়েংনবদা গেম অনী হন্থরগা শান্নরি। হন্দক্তা পি এস জিগী মায়োক্তা শান্নখিবা চেম্পিয়ন্স লিগ এনকাউন্তরদা শাথীনা গোল ৪–০ দা মায়থীখিবদা করিমত্তা তৌবা ঙমখিদবা মেসিনা বর্সাবু মিনিত মরি ফারকপদা মাঙজীল থাহনখি অদুবু লেগানেসনা কন্না হোৎনদুনা গোল হন্দোক্লবা তকশিল্লকখিবা অদুগী মহয় ওইনা ৭১ শুবা মিনিত্তা উনাই লোপেজনা ইক্বেলাইজর চনখি।

নেমারনা মেতচকী মতম লোইরমদাইদা পেনালতি অমা ফংখিবগা লোয়নননা মেসিনা মদুগী খুদোং চাবা লৌরগা বর্সাগী মায় পাকপগী গোল চন্দুনা মখোয়বু লিদর রিএল মেদ্রিদ তান্নবা ফংগদবগী মফমদা লৈহনবগা লোয়নননা লুইস এনরিককী মথক্তা নন্দুনা লৈরম্বা প্রেসর মতম খরগী ওইনা হম্থহনবা ঙমখ্রে।

বর্সা কোচ এনরিকনা জেরার্দ পিকে, জোরদি অলবা, এন্দ্রস ইনিস্তা অমসুং সর্গিও বস্কেত পোথাহল্লদুনা মখোয়বু পেরিসতা করিমত্তা তৌবা ঙমহনখিদবা মহাক্কী সাইদ অদুদা শান্নরোয় মরি হোংদোক হোংজিন তৌখি।

অদুবু মহাক্কী সাইদ অসি ঙরাংগী মেতচ অসিদদি নেমারনা থ্রু পাস অমা এরিয়া মনুংদা পীবদগী লুইস সোরেজনা ফংলগা মেসিনা অমুক উরুগ্বেয়ন সোরেজগী পাসতা গোল চনবদগী মতিং থোক্লা শান্নবা হৌবা ঙমখি।

স্পেনগী তোপ ফ্লাইতত্তা মখোয়গী অহানবা সিজন ওইনা শান্নরিবা অসিদা রিলিগেসন জোনদগী পোইন্ত অহুম হেনগৎলগা লৈরিবা লেগানেসনা মখোয়গী মথৌনা হনবা তৌদনা শান্নখি অমসুং হাল্ফ মমাঙদা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবা ফনা কন্না হোৎনদুনা এতেম্প লেণঞ্চনা মথং মথং তৌরবসু বর্সাগী মার্ক–এন্দি তর ষ্টেজেননা ফজ ফজরবা সেব কয়া তৌদুনা গোল হনেদাকহনখিদে।

ভিজিতর লেগানেসকী ইক্বেলাইজর অদু সর্গিও রোবর্তোবু দারৱিন মেচিসকী মায়কৈদগী তৌরকপা চেল্লেঞ্জ অমদা বোলদু কন্ত্রোল তৌবা ঙমদবদগী চন্নবগী লম্বী শেমখিবনি। মদুদা ফ্রী তারবা বোলদু মিগেল এনজেল গুইরেরোনা ফংদুনা অমুক লোপেজদা খাইদোরকপদগী মহাক্না তর স্তেজেন মায়থীবা পীদুনা চনখিবনি। গুইরেরোনা মেতচ লোইরমদাইদা গোল অমগা চনগে তৌখি অদুবু তর স্তেজেননা সেভ তৌখি অদুগা স্তেজেনগী তিমমেতশিংদি অসোম নাকনদা রাফনিহাগী পাসতা গোল চনবা য়ারম্বদু চনবা ঙমদনা লৈখি। অদুম ওইনমক নেমারনা পায়বা বোল অমা লেফত ফেঙ্কতগী পুখৎলকপদা মহাকপু মার্তিন মেনতোভেনিনা ফোল তৌরকপগী পেনালতি তাবদগী গোল চন্নবা তাঞ্জা ফংখি। পেনালতি কিক অদু মেসিনা কাউদুনা মায় পাকপগী গোল চনখি। করিগুম্বা চল্লমদবা তারবদি মহাক্কী কোচকী ওইনদি চয়োল অমদা অনীরকশুবা নীংবা কায়বা নুমিৎ ওইরমগনি।

ঙরাংগী অতোপ্পা মেতচতা ভেলেন্সিয়ানা এথলিতক বিলবাওবু গোল ২–০ দা, ভিল্লারিএলনা রিএল সোসিদেদপু গোল ১–০ দা অমসুং সেলতা ভিগোনা মমৈদা লৈরিবা ওসাসুনবু গোল ৩–০ দা মায়থীবা পীখি।

## কর্বর দুবাই টেনিস চেম্পিয়নশিপ্সতা মকোক থোংবা মফম মুন্নবগী তাঞ্জা অমা ফংলগনি



*দুবাই, ফেব্রুৱারী ২১ঃ*
নোংমাইজিং নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা দুবাই টেনিস চেম্পিয়নশিপ্সতা করিগুম্বা টাইটল লৌবা ঙম্লবদি জর্মনিগী এঞ্জেলিগ কর্বরনা য়ুএসকী সেরেনা ৱিল্লিয়মসতগী অমুক হন্না মালেমগী মকোক থোংবা মফম মুন্নবগী অচৌবা তাঞ্জা অমা ফংগদৌরি। সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা চয়োল অসিদা শান্নবা য়াওররোইদবনা টুর্নামেন্ট অসিদা মকোক থোংবা সিদকল্লিবী কর্বরনা অহানবমক্তদা মহাক্কী রেঙ্কিংগী মরমদা খনিদ্রঙৈদা হৌজিক ফোর্ম তানা শান্ননবা হোৎনবরোমদা ওইনা মিৎয়েং চঙবা পাল্লি।

মালেমগী অনিশুবা মফম কল্লিবী জর্মন অসিনা অষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল ঙাকথোক্ল বা হোৎনবদা মরিশুবা রাউন্দদা য়ুএসকী কোকো ভান্দেৱেঘেগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবদা নত্তনা বৃসবেন ইন্ত রনেসনেলগী ক্বার্টর–ফাইনেলদনা ইলিনা এসভিটোলিনাগী মখুৎতা অদুগা সিদনিদনা অনিশুবা রাউন্দদা দারিয়া কসাটকিনাগী মখুৎতা লৈহৌখিবনি।

## কোহলিনা পুমাগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইদুনা লুপা কোত্তি ১১০ গী দিল অমা সাইন তৌনখ্রে



*ন্যু দিল্লি,ফেব্রুৱারী ২১ঃ*
য়ার্দ ২২ গী পিতচতা হন্দ্রেদশিং স্কোর তৌরিবা ভিরাত কোহলিনা পুমাগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইদুনা লুপা কোত্তি ১১০ গী দিল অমা সাইন তৌনখ্রে।

চহী নিপানগী ওইবা এন্দোর্সমেন্ত কন্ত্রেক্ত তৌনখিবা অসিনা দিল অমা খক্তদা লুপা কোতি ১০০ হেনবগী দিল তৌনখিবা ইন্দিয়াগী অহানবা শান্নরোয় কোহলিনা ওইরে।

পুমানা এন্দোর্স তৌবা খ্বাইদগী নৌবা স্পোর্তিং স্তার ভিরাত কোহলিনা ওইরকপা অসিদা স্প্রিন্ত লিজেন্দ উসেন বোল্টনা থাগৎ ৱাহে ত্বিত তৌরকখি। কোহলিনা ফজরবা থাগৎ ৱাহে অদুবু তরান্না ওক্লদুনা জমায়কান অদুবু থাগৎপগা লোয়নননা য়ান্না থুনা ফোল্লো তৌরকখি।

দিল অদুগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী ক্রিকেত তিম কেপ্টেন কোহলিনা অখন্নবা লোগো অমসুং ব্রান্দ ইদেন্তি অমসুং লৈগদৌরিবা স্পোর্তস লাইফস্তাইল প্রদক্তশিংগী সিগ্নেচর লাইন অমা লোঞ্চ তৌরবা য়ারি।

এন্দোর্সমেন্ত অদু কনফার্ম তৌরদুনা কোহলিনা হায়, পুমাগী লৈজরিবা শান্নরোয়শিংগী অচৌবা লিস্ত অমদা য়াওনবগী খুদোংচাবা অমা ফংলে। উসেইন বোল্টকুম্বা ঙসিগী আইকনশিংদা নত্তনা পেলে, মরাদোনা থিএরি হেনরি অমসুং অতৈ মশক নাইরবশিংগা লেয়নননা ব্রান্দগী ৱাত্ত পাদ্রবা পুৱারী লৈরি।

মহাক্না মখা তানা হায়, পুমা অমসুং মহাক্না অশাংবা মতম অমগী ওইবা মপাংদা কম্মিত তৌরি। তেনখ্রবা মতম অমগী মনুংদা পুমানা ফংলিবা মসিগী পোপুলরিতি অমসুং মার্কেত লিদরশিপ অদুনা মহাকপু তশেংনা পুক্নীং চিংশিল্লি।

ইন্দিয়াগী হান্নগী কেপ্টেন মহেন্দ্র সিংহ ধোনি অমসুং সচিন তেন্দুলকরগুম্বা অতৈ ক্রিকেত্তরশিংনা লুপা কোতি ১০০ গী ক্লবতা শরুক অমা ওইনা লৈরক্লি, অদুবু মখোয়না তোঙান তোঙানবা ব্রান্দশিংগা লোয়নননা চহী কয়াগী কন্ত্রেক্তশিং তৌনদুনা লাক্লি, অদুগা ভিরাত কোহলিনা ব্রান্দ অমা খক্তগা অচৌবা শেনফম অসিদা কন্ত্রেক্ত তৌনরি।

## স্তেত লেভেল কেশ প্রাইজ কবাদ্দি চেমপিয়ন্সিপতা দব্লিউ এস দব্লিউ সি ৱাবগাইনা লাকা নম্বোল লৌরেম্বম্বু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ২১ঃ*
ওরিএন্তেল ক্লব, খোংমন মংজিল, ইম্ফাল ইস্তনা শীন্দুনা ঙরাংদগী চথরক্লিবা গোল্ডন জুবিলি য়াওশঙ স্পোর্তস ফেস্তিভেল ২০১৭ গী মনুং চন্না পাঙথোকপা স্তেত লেভেল কেশ প্রাইজ কবাদ্দি চেমপিয়ন্সিপকী শান্নখিবা ফাইনেল মেতচতা দব্লিউ এস দব্লিউ সি ৱাবগাইনা লাকা নম্বোল লৌরেম্বম্বু পোইন্ত ১৮–৯ দা মায়থীবা পীদুনা চেমপিয়ন ওইখিবগা লোয়নননা কেশ প্রাইজ অমসুং ত্রোফি লৌখ্রে।

ফাইনেল মেতচ শান্নবা হয়েং ভোল্লিবোল চেম্পিয়ন্সিপ হৌদোক্লগনি।

ঙসি নুংথিল ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ফাইনেল মেতচ অদুদা লাকা নম্বোল লৌরেম্বম অমসুং দব্লিউ এস দব্লিউ সি ৱাবগাইগা অকনবা লম্বা তৌনদুনা তাইতল লৌনবা হিদানখি। অদুবু,মেতচ অদুদা দব্লিউ এস দব্লিউ সিনা পোইন্ত ১৮ লৌবা ঙমখি, অদুগা লাকানা পোইন্ত ৯ দগী হেন্না লৌবা ঙমদামেতচ অদু মায়থীদুনা রন্নর্স–অপ তাহৌখি।

লোইরবা মতুং পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপকী মনা য়েন্থোকপগী থৌরমদা চীফ গেস্ত ওইখিবা হান্নগী ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী চেয়ারপার্সন এ নিমাই শর্মনা ৱিন্নর ওইখিবা দব্লিউ এস দব্লিউ সিগী তিমদা শেন ওইনা লুপা ১০,০০০ অমসুং ত্রোফীগী মনা খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুবু প্রিসাইদ তৌখিবা বি অচৌবা শর্মা,রিতায়র্দ এম সি এসনা রন্নর্স–অপ তাখিবা লাকা, নম্বোল লৌরেম্বমগী তিমদা লুপা ৭,০০০ শেনগী মনা অমসুং সাতিফিকেৎশিং খুৎশিন্নখি।

ওরিএন্তেল ক্লবকী য়াওশঙ স্পোর্তস গোল্ডন জুবিলি সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংগী ওইনা স্তেত লেভেল চেমপিয়ন্সিপ অহুম শীনবগী মনুংদা ৱাংহৌরিবা স্তেত লেভেল ভোল্লিবোল চেমপিয়ন্সিপ হয়েং অয়ুক পুং ৭ তগী ওরিএন্তেল ক্লবকী স্পোর্তস গ্রাউন্দদা হৌরগনি। ফাইনেল মেতচনা ফ্রেবুৱারি ২৫ দা ক্লবকী গ্রাওন্দদা শান্নরগনি।

## বি সি সি আইগী ওফিসিএলশিং আই পি এল প্লেয়র্সওক্সন য়াওবা য়াহনখিদ্রে



*ন্যু দিল্লি,ফেব্রুৱারী ২১ঃ*
হান্নগী সি এ জি ভিনোদ রাইনা মকোক ওইবা কমিতি ওফ এদমিনিস্ত্রেতর্সনা বি সি সি আইগী মকোক থোংবা ওফিসিএল অহুমবু হয়েং বেঙ্গলুরুদা পাঙথোক্লবা সেদ্যুল শেম্লগা লৈখ্রবা আই পি এল প্লেয়র্স’ ওক্সনদা শরুক য়াবা য়াহনখিদ্রে।‘সি কে খান্না, অমিতাভ চৌধরি, অনিরুধ চাউধরি লোয়নননা বি সি সি আইগী ওফিস বিয়াররশিং ওইরি হায়বগী নামাদা আই পি এল জিতিগী এক্স–ওফিসিও মেম্বরশিংনি হায়না ক্লেইম তৌরিবা অতৈ অতোপ্পা মীওইশিং অসিদি জনুৱারী ২, ২০১৭ দা থোকখিবা ওর্দরদা হায়রিবা মীওইশিং অসিনা ফাইল তৌখিবা অনদরতেকিং অদুগী ভেলিদিতিগা মরী লৈননা ইশু তৌখিবদু ওনরেবল সুপ্রিম কোর্তকী মাঙদা হৌজিকসু পেন্দিংদা লৈরিবনা আই পি এল প্লেয়র ওক্সনদা শরুক য়ানবা হক লৈরোই’ হায়না সি ও এনা চেরোল অমদা ফোঙদোকখি।খান্নানা বি সি সি আইগী সেনিয়রমোস্ত ভাইস প্রসিদেন্ত ওইরগা অনিরুধনা ত্রেজরর ওইরিবনি। নাকন অমরোমদা অমিতাভনা জোইন্ত সেক্রেতরিনি। মখোয় অহুম্মকসি সি ও এ শেমখ্রবা মতুংদগীদি শক্তি অমত্তা লৈহনখিদ্রবনি।সি ও এনা হায়খি, সুপ্রিম কোর্তনা শোয়দনা ইনগদবনি খঙহনখ্রবা রিফোর্ম হায়রিবসিদা ইন্দুনা থবক তৌরিবা ওফিসিএলশিংদুখক্তুংদি ওক্সন অসিদা শরুক য়াবগী ইলিজিবল ওইগনি।‘আই পি এল–জি সিগী অতৈ মেম্বরশিংগী য়েংলগা, ওনরেবল সুপ্রিম কোর্তনা ইশু তৌখিবা তোঙান তোঙানবা ওর্দরশিংগা মরী লৈননা দিসক্বালিফিকেসনগী অন্দরস্তেন্দিং। ইন্তরপ্রিতেসন চেকশিন্না লৌরগা দিসক্বালিফাই তৌদবা মীওইশিংদুখক্তুংনা আই পি এল প্লেয়র ওক্সনদা শরুক য়াা য়াই’ হায়না কমিতিনা ফোঙদোকখি।‘কমিতি ওফ এদমিনিস্ত্রেতর্সনা এক্স–ওফিসিও মেম্বরশিং নত্তবা আই পি এল–জিসিগী মেম্বর খুদিংমকপু দিসক্বালিফাই তৌব্রা তৌদব্রা হায়বদু লেপথোক্ল বা মপূং ফারবা দতা লৈতে। মসিদা মীৎয়েং থম্লগা হায়রিবা অতোপ্পা মেম্বরশিংদা মখোয় দিসক্বালিফাই তৌব্রা তৌদব্রা হায়বদু মখোয় মশা মশানা এসেস তৌজনবা হায়জখ্রে।’‘মখোয়না আই পি এল প্লেয়র্স’ওক্সন শরুক য়াগে হায়রবদি, মরী লৈনবা মেম্বরশিং অসি মখোয়দি মমাঙদা পনখিবা অসিগুন্না দিসক্বালিফাই তৌদে হায়বগী অন্দরতেকন অমদি রিপ্রজেন্ত তৌরে হায়না লৌবা মথৌ তাগনি’ হায়না কমিতিনা ফোঙদোরক্লি ।প্লেয়র ৩৫০ হেনবনা হয়েংগী আই পি এল প্লেয়র্স’ ওক্সনদা শরুক য়াগনি।